হুয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

# তেলঙ্গনাদা কোংগ্রেস, টি দি পি, সী পি আই চুংশিন্নদুনা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স শেমখ্রে, প্রসিদেন্ট রুল দিমান্দ তৌখ্রে

হায়দ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
তেলঙ্গনাগী ওপোজিসন পার্টি অহুম- কোংগ্রেস, তেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) চুংশিন্নদুনা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স শেমখ্রে।

পোলিটিক্সকী লমদা অচৌবা অহোংবা অমা ওইনা ওপোজিসন পার্টিশিং অদু চুংশিন্নদুনা লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লী মীখলদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা তেলঙ্গা রাষ্ট্রা সমিটি (টি আর এস) মায়থিবা পীননবা থৌশিল য়াৎপা হৌখ্রে। লোয়ননা মীখল পাঙথোকপা লোইদ্রিবফাওবা তেলঙ্গানাদা প্রসিদেন্টস রুল থম্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমীদাং পোলিটিকেল পার্টি অহুম চুংশিন্নখিবগা লোয়ননা তেলুগু দেসম পার্টিগী লুচিংবা, কোংগ্রেস অমসুং তেলঙ্গনা জনা সমিটি অমসুং সী পি আইগী লুচিংবা মরিনা গভর্ণর ঈ এস এল নরসিমহাগা ঙসি উনখ্রে। লুচিংবশিং অদুনা লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লী মীখলদা লৈঙাক পায়রিবা টি আর এস মায়থিবা পীননবা খন্নখ্রে। সিনিয়র কোংগ্রেস লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনাইটেদ ওপোজিসনগী শেম শাবা হৌবা



থৌশিল অমা ওইনা তেলঙ্গনাদা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স অদু শেমখিবনি।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা য়ুনাইটেদ ওপোজিসন শেম্বগী মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। পার্টি অহুম্না নৌনা শেমখ্রবা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স অদুদা তেলঙ্গনা জনা সমিটি (টি জে এস) সু য়াওহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। ওপোজিসন পার্টিনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অদুদা তেলঙ্গনাগী ওর্গনাইজেসনশিং, থৌমীশিং অমসুং নুপীগী ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্কা শৌগৎপীননবসু হায়জখ্রে। হৌজিক গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স অদু অহৌবা ষ্টেজদা লৈরি। সিট য়েন্থোক্লবগী মতাংদা খন্নবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক ওইথোকপা য়াবা ফোর্মুলা অমা পুথোক্লবা শেম-শারি। পার্টিশিং অদুনা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমগী মখাদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা পান্দম থল্লি হায়না ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (তেলঙ্গনা) গী লুচিংবা আর সী খুন্তিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

চহী ৩৫ রোম শুরবা টি দি পিগী পোলিটিক্সকী পুৰারীদা ষ্টেট অদুদা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। চুংশিন্নবা অদুবু চুম্মী হায়বা উৎলদুনা খুন্তিয়ানা হায়, কোংগ্রেসনা হৌজিক টি দি পিদা নুংঙাইরোইদবা থৌশিল অমত্তা পায়খৎলোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তেলঙ্গনাদা হৌজিক লৈরিবা কেয়ার টেকর লৈঙাক অসিনা লান্না পৱার শীজিন্নরে। অরানবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লুচিংবা অনী ফাজিনখ্রে। থৌওং অদু লৈঙাক অদুনা লান্না পৱার শীজিন্নবা অমনি হায়না টি দি পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা আর চন্দ্রসেখর রেদ্দিনা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়গী দেলিগেসন টিম অমনা গভর্ণর উনখ্রে। হৌজিক লৈরিবা কেয়র টেকর গভর্ণমেন্ট অসিনা কনষ্টিট্যুসন অমসুং দিমোক্রেসিগী কাঙলোন থুগায়রে হায়না গভর্ণরদা পাউদমখ্রে। লৈঙাক অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক ইলেক্সন কম্মিসন্দা প্রেসর কয়া পীরি। মীখলগী মতম লাউথোকপগী মতাংদা লৈঙাক অসিনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা ইথিল পীদুনা লৈরে। মরম অদুনা ষ্টেট অদুদা কেয়র টেকর লৈঙাক অদু মুখৎতুনা প্রসিদেন্টস রুল থম্বীনবা তকশিনখি হায়রি।

চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা গভর্ণর নরসিমহানা ষ্টেট এসেমব্লী দিজোল্ট তৌনবা রিকমেন্দেসন অমা থাখিবা লৈখ্রে। গভর্ণরনা চন্দরসেখর রাওবু অনৌবা লৈঙাক অমা শেমদ্রিবা ফাওবা কেয়ার টেকর ওইনা লৈঙাক পায়ননবা খঙহনখিবনি।

চৈরকসিদা ইলেক্সন কম্মিসনগী টিম অমনা ঙসি তেলঙ্গনাদা লৈবা মকোক থোংবা ওফিসল অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং উনদুনা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল অদু নীংথিনা পাঙথোকপা য়াননবা খন্নখ্রে হায়রি।

# হর্দিক পটেল চরা হেনবা তোকখ্রে



অহমেদবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
পটিদারগী লুচিংবা হর্দিক পটেলনা পটিদার কাঙলুপতা রিজার্ভেসন পীনবা অমসুং লৌমীশিংগী লোন কোকপীনবা মতম কত্তুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদু ঙসি নুমীৎ ১৯ নি চনবদা তোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, মহাকপু হাৎননবা হোৎনবশিংগী মখুৎতা তাহন্দনবগীদমক মহাক খোঙফম অদু হন্দোকপনি। পোলিটিক্সকী শাথিবা লৌতুনবশিং অদুদগী মহাক নান্থোক্লবা হোৎনখি। লৈঙাক অসিনা হৌজিক পটিদারশিংনা দিমান্দ তৌরিবা ৱাফম অদু করিসু খন্নদনা লৈরি। পটিদারগী চহী নৌরিবা লুচিংবা অদু ঈশিং ফাওবা থক্তনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লম্লবা মতুং হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা চরা হেনবগী খোঙজং হন্দোকখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক্কী খোঙজং অদু মখা তানা হেন্না পাক চাউবা মওংদা চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হর্দিন পটেলনা চরা হেনবগী খোঙজং অদু ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ৩ লোম তাবদা মহাকপু শৌগৎপা মীওইশিংনা তকশিল্লকখিবগী মতুংইন্না হন্দোকখ্রে। অদুম ওইনমক মখোয়না তানখিবা দিমান্দ অদুদি হন্দোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়রি।

নহা ওইরিবা লুচিংবা অদুনা হায়, মহাকপু নুংশিবীবা মীওইশিংগীদমক মহাক শিবা ঙমগনি। মখোয়না মহাকপু হিংহনবা পাম্লি। মহাকপু শিহনবা পাম্বা মীওইশিংগীদমক মহাক শিবা ঙম্লোই হায়রি। নহা ওইরিবা লুচিংবা অদুনা ওগষ্ট ২৫ দগী দিমান্দ কয়া তৌদুনা মতম কত্তবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। লুচিংবা অদুনা পটিদারশিংদা লৈঙাক্কী থবক চঙবা, মহৈ-মশিননচিংবা হিরমশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীননবা অমসুং লৌমীশিংগী লোনগী শেনফম মতম অমত্তদা কোকথোক্লবা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। হৌজিক নহা ওইরিবা লুচিংবা অদুগী খোঙজং অদু লৈঙাক্লা থৌশাদবগী ফীভম অমা উরি। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদুনা মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়রি।

# রাফেল ফাইটর ৩৬ লৈবগী ৱাফম ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা শৌগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া লৈঙাক্না রাফেল ফাইটর জেট ৩৬ লৈনবা হোৎনরিবা অদুবু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী লুচিংবা চীফ এয়র মার্সেল বি এস ধানোৱানা শৌগৎখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, হৌজিক এয়র ফোর্সতা ফাইটর এয়রক্রাফ্ট ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে। নাকল অমরোমদা, ন্যুক্লিয়ার পৱার লৈরবা লৈবাক অনীগা য়ুমথংননা লৈরি। রাফেল ফাইটর ৩৬ অথুবা মতমদা লৈশিনবা হায়বা অদুনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী অৱাৎপদা মতেং ওইরগনি। স্কাদ্রোন অমদা ফাইটর জেট ১৬ নৎত্রগা ১৮ লৈগদবনি। হৌজিক এয়র ফোর্সতা লৈরিবা খুদোংচাদবশিং অদু মেনশিন্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থৌশিল অদু অফবা খোঙথাং অমনি হায়না এয়র চীফ মার্সেল ধানোৱানা ঙসি আই এ এফকী সেমিনার অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক অসিনা হৌজিক অথুবা ওইনা ফাইটর জেটশিং লৈশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মমাঙগী য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক্না ফ্রান্সকী দসোল্ট এভিয়েসনদগী রাফেল ফাইটর জেট ১২৬ লৈননবা দিল তৌনখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক দিল অদু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

# ভোপালগী টেলর অমা সেরিএল কিল্লর ওইরকখ্রে ট্রক থৌবা মীওই ৩০ হেন্না হাৎখিবগী রেকোর্দ ফংলে

ভোপাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশ পুলিসনা থাজদবা মওংদা ফি তুবগী থবক তৌবা মীওই অমনা মীওই কয়া হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ফারে। মীওই অদুনা মথং মনাও নাইনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ হেন্না কোল্ড ব্লদতা হাৎখিবগী রেকোর্দ ফংলে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না চহী ৪৮ শুরবা অদেস খন্না কৌবা ফি তুবগী শিনফমদা লৈবা মীওই অমা ভোপাল পুলিসনা ফারে মীওই অদু ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক্না ট্রক দ্রাইভর অমসুং হেল্পর য়ামদ্রবদা ৩০ রোম হাৎখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মহাক্না হায়ৱেদা লাকপা ট্রকশিং অদু লুট তৌবগা লোয়ননা দ্রাইভর অমসুং হেল্পর দমেনশিং হাৎখি। লোয়ননা ট্রকশিং অদু য়োনবগী থবকসু তৌখি হায়রি।

ফি তুবা মীওই অমা ওইরম্বদগী শাথিবা ক্রিমিনেল অমা ওইরকখ্রবা মীওই অদু হৌখিবা চহী ৮ অসিদা শেল তান্ননবগীদমক মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক কয়া চথখ্রে। মদুদা নত্তনা মীওই অদুনা কন্ট্রেক্ট কিল্লর অমা ওইনা থবক তৌখি। লোয়ননা ষ্টেট



মনুংদা লৈবা গেং দজন তংখায় অমরোম হাৎখি হায়রি।

মীওই অদুগী পাউ অদু থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনি। মহাক পুলিসনা ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং চথবদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু খঙবা ঙম্লকখিবনি। মহাক ফাখিবগী মতাংদা মধ্য প্রদেশ পুলিস ওফিসর রাহুল কুমার লোধানা পাউমীশিংদা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ভোপালগী মন্দিদিপ ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদা য়োৎ থন্না য়াওবা ট্রক অমা লৈরম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক ট্রক অদুবু থৌরকখিবা নৎত্রগা মতেং পাংবা মীওইশিং মফম অদুদগী মাঙখ্রে। প্রাইভেট কম্পেনি অমনা পুলিসতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখিবগী মতুংইন্না থি-হুম্বগী থবক চথবদা ট্রক দ্রাইভর মুখান সিংহগী হকচাং বিলখিরিয়া লমদমদগী ফংবা ঙমখ্রে। ওথোরিটিনা চপ মান্নবা থৌদোক কয়া থেংনখিবসু লৈখ্রে। পোৎচৈ পুবা ট্রক কয়া লম্বীদা খামদুনা লৈরম্বা অমসুং ট্রকশিং অদুবু থৌরকখিবা মীওইশিং ফংবা ঙমদবগী কেস কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। পুলিসনা মখা তানা থিজিনবগা লোয়ননা মীওই তরেৎ ফাগৎখ্রে হায়রি।

# বিহার-নেপাল বস সার্ভিস অহানবা ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে

পত্না, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
বিহার অমসুং নেপাল ফাওনা চেনগদবা এয়র কন্দিসন দিলক্স বস সার্ভিস বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা অহানবা ওইনা হৌদোকখ্রে।

নিতিস কুমারনা হায়, বিহার অমসুং নেপালগী মরক্তা বস সার্ভিস লৈহনবা অদুনা ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। নেপাল অমসুং বিহারগী মরক্তা বস সার্ভিস লৈহন্নবা এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবা মতুং সার্ভিস অদু হৌদোকখিবনি। বস সার্ভিস অদুনা বুধিষ্ট টুরিজমবু হেন্না মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

অহানবা ওইনা মীওই ৪৪ তোংবা বস অদু বিহারদগী নেপাল তম্না চৎননবগীদমক লমথাখি। বস সার্ভিস অদুনা বিহারদগী কাঠমন্দু য়ৌনা চৎকনি। লোয়ননা লম্বী পরিং অদুদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লীচৎকা মরী লৈনবা মফমশিং ফাওদুনা চৎকনি। বস সার্ভিস অদুনা বিহারদা লৈবা বুধনা মঙাল ফংখিবনি হায়বা বোধগয়াগা শম্নহনবা ঙম্লগনি। পত্নাদগী নেপাল য়ৌবা ফাওবদা লুপা ৪০০ কী টিকেট ককপগী মথৌ তারি। কাঠমন্দুদগী বোধগয়া তম্না লাক্কদবা নেপালগী বস সার্ভিস সেপ্টেম্বর ১৩ দগী হৌদোক্লগনি হায়রি।

**IN THE COURT OF CIVIL JUDGE, SR. DIVN., IMPHAL WEST, AT LAMPHEL**

**ORIGINAL MONEY SUIT NO. 6 OF 2018**

***(Under Order XXXVII of the Code of Civil Procedure, 1908)***

Smt. Angom Chanu Bijayarani, aged about 48 years, W/o. Kangabam Romeo Singh of Sagolband Kangabam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.

...... *Plaintiff*

-Vrs-

Smt. Sanasam Ongbi Purnima Devi represented by her LRs.

...... *Defendants*

To

1. Takyenjam Ongbi Sanasam Ningol Nalini Devi, aged about 37 years, W/o. Takyenjam Daya Singh of Soibam Leikai, P.O. and P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.
2. Sanasam Somorendro Singh, aged about 35 years, S/o. late Sanasam Sanajaoba Singh of Yaiskul Police Lane, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
3. Thoudam Ongbi Sanasam Ningol Shalini Devi, aged about 33 years, W/o. Thoudam Dayananda Singh of Mongkhang Lambi Thongkhong, Singjamei Wangma Kshetri Leikai, P.O. and P.S. Irilbung, Imphal East District, Manipur.
4. Sanasam Satrajit Singh, aged about 32 years, S/o. Late Sanasam Sanajaoba Singh of Yaiskul Police Lane, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.

Whereas the plaintiff has institute a suit against you under Order XXXVII of the Code of Civil Procedure, 1908, for Rs. 12,00,000/- (Rupees twelve lakhs) only and interest, you are hereby summoned to cause and appearance to be entered for you, within ten days from the substituted service hereof, in default whereof the plaintiff will be entitled, after the expiration of the said period of ten days, to obtain a decree for a sum not exceeding the sum of Rs. 12,00,000/- (Rupees twelve lakhs) only and costs, together with interest, if any, as the court may order.

If you cause an appearance to be entered for you, the plaintiff will thereafter serve upon you a summons for judgment at the hearing of which you will be entitled to move the Court for leave to defend the suit.

Leave to defend may be obtained if you satisfy the Court by affidavit or otherwise that there is a defence to the suit on the merits or that it is reasonable that you should be allowed to defend.

Given under my hand and seal of the Court this 11th day of Sept. 2018.

*Sd/- **Civil Judge,***
***Sr. Divn., Imphal West, Lamphel.***

*HL-P/5355/12&13*

# অহানবা ২+২ মীফম্না ইন্দো-য়ু এসকী মরীদা অফবা, শিংথানিংঙাই ওইবা মরী অমা লৈহনবা ঙম্লে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা পাঙথোকখিবা ২+২ দাইলোগ অদু চাউনা মায় পাকপা অমনি। মীকুপ অদু শিংথানিংঙাই ওইবা অমা ওইবতা নত্তনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাউনা মতেং পীননবগী লম্বী অমা য়াৎলে হায়না য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা শরুক য়াখি। অদুগা য়ু এসকী মায়কৈদনা জেমস মাটিস অমসুং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপেও শরুক য়াখি।

মীফম অদু চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শানবগী মায় পাকপা থৌওং অমা ওইরে। মীফম অদু মায়কৈ খুদিংমক্তা য়েংলগা চাউনা মায় পাক্লবা অমনি। মীফম অদুদগী হৌদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা মরী চেৎশিনহন্নবগী খুদোংচাবা ফংবতা নত্তনা লম কয়াদা মতেং পাংননবগী ওইথোকপসু লৈরগনি হায়রি।



ৱারী শানখিবা অদু খ্বাইদগী হেন্না ফরবা অমসুং পুৱারী ওইরগদবা অমনি। মদুনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না নকশিন্নহনবদা নত্তনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈহল্লগনি হায়না জেমস মাটিসনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া-য়ু এসকী ২+২ মীফম অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈনহন্নবগী অনৌবা খোঙথাং অমা ওইহল্লি। দিফেন্স য়াওনা লম কয়াদা মতেং পীননবগী খুদোংচাবা লৈগনি। মালেমগী ওইনা পৱার লৈবা লৈবাকশিংগী ওইবা চাংদম্নবদা ইন্দিয়া য়াওবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে। ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলকপা অমসুং তৌবা ঙম্বা কয়া অসিনা মালেমগী থাক্তা কাখৎলকপা ঙম্লকখি। লৈবাক অনীগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনবগা লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌনরগনি। মদুদা নত্তনা লম কয়াদা থবক তৌমিন্ননবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। মখা তানা হিরম কয়াদা থবক তৌমিন্ননবগী লম্বীশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লগনি হায়রি।

# হিন্দু নুপাগা নুংশিনৈ হায়বা মুস্লিম নুপী অমা মহাকপু হেক পোকপা মপানা হাৎখ্রে

বর্দৱান, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বর্দৱান দিষ্ট্রিক্টতা হিন্দু নুপামচা অমগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক মুস্লিম নুপীমচা অমা হাৎখ্রে। ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা ঙাক্লবা চথুবা মীহাৎনি হায়না চিংনবগা লোয়ননা পুলিসনা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুগী অপোকপা অমসুং মবুং ফারে।

ফারবা মীওইশিং অদু বিহারগী জমলপুরদা লৈবা মীওইশিংনি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওইশিং অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোলকটাদগী ফাখিবনি হায়রি।

ওগষ্ট ৩১ দা নুপীমচা অমগী হকচাং ফংবা ঙমখি। বর্দৱান দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ১৯ রোম লাপ্না লৈবা লৌবুক অমদা মমায় নুংনা পানবগী দাগফম কয়া লৈবা নুপীমচা অদুগী হকচাং অদু ফংবা ঙমখি। পোষ্ট মোর্টেম তৌবদা নুপীমচা অদুগী হকচাংগী শরুকশিংদা অকনবা শাফু পীখিবগী খুদম চাংদমসু ফংবা ঙমখি।

নুপীমচা অদুনা হিন্দু লাইনিং চৎপা কাঙলুপকী নুপামচা অমগা মরী লৈনরম্মী হায়বগী পাউসু ফংবা ঙম্লে হায়রি। পুলিসকী টিম অমা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি। চপ চাবা পাউ অমা ফংবগী মতুংইন্না পুলিসনা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুগী অপোকপা অমসুং মবুং ফারে। মখোয় কোলকটাদা গাড়ী থৌবগী থবক তৌবা মীওইশিংনি।

ফারবা মীওই অনী অদুনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয় অনীনা নুপীমচা অদু মখোঙ-মখুৎ পুনশিন্দুনা গাড়ী অমদা হাপ্তুনা পুরক্লবা মতুং জমলপুরগী লৌবুক অমদা লংথো-ক্লমখি। মহাকপু মশক খঙদনবগীদমক মমায় অদু নুংনা শুগায়দুনা খুদম চাংদমশিং মাঙহন্নবা হোৎনখি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অনী ফাগৎলে। মখা তানা থিগৎপগী থবক পায়খৎখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী হকচাং লৌবুক অমদগী ফংখ্রবা মতুং পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। পোষ্ট মোর্টেমকী রিপোর্ট মতুংইন্না মহাক্কী হকচাংগী মফম কয়াদা শোকপগী দাগফম কয়া লৈরমখি হায়রি।

# চু থাবনা দাইবেটিস হেনগৎহল্লি, লৌমীশিংনা অতোপ্পা মহৈ-মরোং থাদুনা শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি : জোগি অদিত্যানাথ

মিরুট, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী):
চু থাবনা নাকোয়ননা দাইবেটিস লায়না হেনগৎহনবগী ৱাফম অমা লৈরে। ফীভম অদু য়েংলগা লৌমীশিংনা অতোপ্পা মহৈ-মরোংশিং থাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যানাথনা ফোঙদোকখ্রে।

চু নৎত্রগা চিনি চাং হেন্না পুথোকপনা হেন্না শীজিন্নহনবগী মরম ওইহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা সুগর ৱাংখৎলকপা অমসুং দাইবেটিস লায়না লাকহন্নবগী মরম ওইহল্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর অদিত্যানাথনা ঙসি দিল্লি-সাহরানপুর হায়ৱে হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।



লুচিংবা অদুনা হায়, হৌজিক লৌমীশিংনা অতোপ্পা মহৈ-মরোং থাবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈবাক অসিগী ওইনা উত্তর প্রদেশনা চিনিগী চাং খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা ষ্টেট অমা ওইরিবনি। চু পাম্বীশিং চপখায়দুনা চিনি ওন্থোকপগী সিজন লাক্লগনি। ওক্টোবর ২০ দগী নবেম্বর ৫ ফাওবদা চিনি শুংবগী থৌওংশিং পায়খৎলক্লগনি। লৈবাক অসিগী ওইনা উত্তর প্রদেশনা চাদা ৩৮ গী চাংদা চিনি পুথোক্লে। সেপ্টেম্বরদগী ওক্টোবর থা ফাওবদা চিনি টন মিলিয়ন ৩২ রোম উত্তর প্রদেশতগী পুথোক্লি। অদিত্যানাথনা হায়, চিনি শুংবা মিলশিংনা মখোয়গী লৌমীশিংদা পীফম থোকপা খুৎশু-মলশিং নৎত্রগা শেনফমশিং ওক্টোবর ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীথোকখিগদবনি। লায়রবা লৌমীশিং মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকহনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি। ওক্টোবর ১৫ ফাওবদা মিল মপুশিংনা পীথোকফম থোকপা খুৎশুমলশিং চপ চানা পীথোকখিগদবনি হায়খি।

য়ু পিগী কেন দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর সুরেশ রানানা হায়, ষ্টেট অদুগী চু থাবা লৌমীশিংদা এরিয়ার ওইনা পীথোকফম থোকপা শেনফম লুপা ক্রোর ১০,০০০ ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা পীথোকখিগদবনি। চু লোকপা অমসুং চিনি শুংবগী সিজন অমা ওইরিবা মতম অদুদা লৌমীশিংগী পীফম থোকপা খুৎশুমল পন্থদুনা লৈবগী চাং জেরো ওইহনগদবনি। লৌমীশিং লায়রবা থাক্তগী চিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগী শেংদোকফম থোকপা শেনফমশিং কোওপরেটিব অমসুং প্রাইভেট সেক্তরশিং অমদি মিলশিংনা পীথোক্কদবনি হায়রি।

Government of Manipur
**Rural Engineering Department**
**Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)**
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal - Manipur.

**N O T I C E**

Dated, Imphal the 11th Sept., 2018.

**No. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (B-II, 2017-18)**/325 : It is hereby informed to all the concerned that the last date of bid submission of NIT of even No. dt. 19/07/2018 is hereby extended till **17.00 Hrs of 29th Sept., 2018** and the opening of technical qualification part of the bids shall be on **1st Oct., 2018 at 11:00 Hrs** at the Conference Hall of RED/MSRRDA.

11/9/18
**(Th. Nandakishore Singh)**
Chief Engineer, RED/MSRRDA.

*HL-B/4853/13*